১৩শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯-২০

# এ এফ সী অমদি ৱাই পি ঐচ য়ু পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে, এস য়ুনা নাকোবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৪ (ঐচএনএস): খুমুকচম জয়কিশন সিংহনা স্পোন্সর তৌদুনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)না শীন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথুরিবা '১৩শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯-২০'গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এ এফ সী অমদি ৱাই পি ঐচ য়ু পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে, এস য়ুনা নাকোবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা এ এফ সী অমসুং ৱাই পি ঐচ য়ু লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা হাফ হৌরকপদা টিম অনীমক মাংজিল থানা হেনজিন্নবা ঙমদনা শান্নরকখি। টিম অনীমক্না একাউন্ট হাংনবা অকনবা প্রেসরগা লোয়ননা এটেক চথুরবসু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা একাউন্ট হাংবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা শান্নবগী ৫২শুবা মিনটতা এ এফ সীগী একাউন্ট এস অরুনজিৎ জর্সি নম্বর ১২না হাংদুনা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থাদুনা চৎখি। মখা তাবা মিনটতা ৱাই পি ঐচ য়ুনা ইক্কেলাইজর স্কোর চন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরকপদগী শান্নবগী ৭৬শুবা মিনটতা লুনখোঙম জর্সি নম্বর ২৩না চন্দুনা পাঞ্জল ১-১দা মান্নহনখি। মখা তাবা মিনটতা অহেনবা স্কোর চন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু ঙমদনা লৈখিবনা স্কোর ১-১দা দ্রো চৎখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা নাকো অমসুং এস য়ু লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা হাফতা এস য়ুনা দোমিনেট তৌদুনা শান্নবা হৌরকখি। শান্নবগী ৭শুবা মিনটতা এস য়ুগী একাউন্ট বসন্তা সিংহ জর্সি নম্বর ৭না হাংদুনা মাংজিল থাখি। নাকোগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর স্কোর চন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু এস য়ুগী দিফেন্স লাইনশিংদনা লৈবনা নাকো অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা একাউন্ট হাংবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা মখা তানা এস য়ুনা বোল হেন্না পায়দুনা দোমিনেট তৌদুনা শান্নরকখি। লেপ্পুনা এস য়ুনা এটেক চথুরকপনা শান্নবগী ৬২শুবা মিনট, ৮৭শুবা মিনটতা এল মিলন সিংহ জর্সি নম্বর ১৮ অমদি প্রেমানন্দ জর্সি নম্বর ১৫না মথংশিংনা পাঞ্জল অমমম চন্দুনা পুন্না পাঞ্জল ৩ শুহনখি। নাকোগী মায়কৈদগী এস য়ুগী দিফেন্স লাইন চংবা ঙমদনা লৈবনা এস য়ুনা নাকোবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

১৩শুবা জিরি কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০

# এম পি এস সীনা অমোফা মোইরাংবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৪(ঐচএনএস): ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ), জিরিবামনা শীন্দুনা থা অসিগী ৩দগী হৌদুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লেগ্রাউন্দদা টিম ১৫না শরুক য়াদুনা চথুরকপদা ১৩শুবা জিরি কপ ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা এম পি এস সীনা অমোফা মোইরাংবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

ফাইনেল মেচ অসিদা মণিপুর ফুটদ ইন্দষ্ট্রিস কোওপরেসন লিমিটেদকী ভাইস চেয়রমেন কে সরত কুমার সিংহনা চীফ গেষ্ট, এ জে এস এগী প্রসিদেন্ট এম ব্রজাকান্তা সিংহনা প্রসিদেন্ট অমদি এদিস্নেল এস পি এ কে সদানন্দ সিংহ, এ দি পি ও জিরিবাম টি ঐচ সনাতোম্বা, ৭শুবা আই আর বি চলৌগী দি সি ও থাংবোই কুকি অমদি সী এম ও জিরিবাম ডা. ই ওকেন্দ্রো সিংহনা গেষ্ট ওফ ওন্নরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী ফাইনেল মেচ অসিগী মাংওইননা অমোফা মোইরাংনা পি ৱাই এবু পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা ফাইনেল চঙলকখি। অমরোমদা এম পি এস সীনা এফ সী লমজাওবু পাঞ্জল ৫-১ থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অসিদা এম পি এস সীনা টোস ঙমদুনা সাইদ খল্লবা মতুংদা অমোফা মোইরাংনা বোল কাউবা হৌখি। অহানবা হাফতা টিম অনীমক্না লম্বা মান্না শান্নরকখি। অদুবু অহানবা হাফকী অপীবা মতমগী মনুংদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল চনশিন্নবা ঙমদনা লৈনখিবদগী পাঞ্জল ০-০দা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপদা এম পি এস সীগী মায়কৈদগী এটেক চথুবা হেল্লকখি। এম পি এস সীনা চথুরকপা এটেক অমদা শান্নবগী ৮৫শুবা মিনটতা ঙমখোহেন জর্সি নম্বর ২৪না মেচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। শান্নবগী লেমহৌবা মিনটশিংদা এম পি এস সীনা অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমদবা অমদি অমোফা মোইরাংগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী এম পি এস সীনা অমোফাবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লোইশিল্লকপদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা কে সরতকুমারনা চেম্পিয়ন ওইখিবা এম পি এস সী টিমদা ট্রোফি অমদি শেলগী মনা ওইনা লুপা ৫০,০০০ অমদি রন্নর্সঅপ তাখিবা অমোফা মোইরাংদা ট্রোফি অমদি শেল ওইনা লুপা ৩০,০০০ খুৎশিন্নখি।

লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট টিমনা অমোফানা তাখি। ফাইনেল মেচকী অহানবা গোল চনবগী মনানা এম পি এস সীগী ঙমখোহেন জর্সি নম্বর ২৪না তাখি। খ্বাইদগী গোল য়াম্না চনবগী মনানা য়ু বি এফ সী মারখোলেনগী জেহোভা জর্সি নম্বর ৮ অমদি কুকি এস সীগী জেকোব জর্সি নম্বর ৫না গোল্ড ৬/৬ চন্দুনা ফংখি। বেষ্ট গোলকিপ্পরগী মনানা অমোফা মোইরাংগী দুসান্তা য়ুম্নাম জর্সি নম্বর ১না ওইখি, বেষ্ট দিফেন্দর ওফ ফাইনেল মেচকী মনানা এম পি এস সীগী শান্নরোয় বোইবোইসনা জর্সি নম্বর ৫দা পীখি। বেষ্ট মিদ ফিল্ডরগী মনানা এম পি এসগী হাওকোসৈ জর্সি নম্বর ১৭, বেষ্ট ফোরৱার্দকী মনা অদুনা এম পি এস সীগী ঙমখোহেন জর্সি নম্বর ২৪না ফংখি।

১০শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিএল সী আর পি এফ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# য়ু পি এস এনা এফ সী লমজাওবু পাঞ্জল ৩-২দা অমদি নিসানা এস এস য়ুবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৪(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর অমদি নাগালেন্দ সেক্টর সী আর পী এফনা শীন্দুনা টিম ২৫না শরুক য়াদুনা সাই স্পোর্টস কমপ্লেক্স তাকয়েলগী আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথুরিবা ১০শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিএল সী আর পি এফ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা য়ু পি এস এনা এফ সী লমজাওবু পাঞ্জল ৩-২দা নিসানা এস এস য়ুবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা য়ু পি এস এ অমসুং এফ সী লমজাও লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফ হৌরকপদা টিম অনীমক মাংজিল থানা শান্নরকখি। শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা এফ সী লমজাওগী একাউন্ট টি য়াইফব জর্সি নম্বর ৭না হাংখি। অহানবা পাঞ্জল চনখ্রবা মতুং ১৯শুবা মিনটতা য়ু পি এস এগী একাউন্ট এল হেলিন জর্সি নম্বর ২৩না হাংদুনা পাঞ্জল ১-১দা মান্নহখি। মিনত খরা কান্নরগা শান্নবগী ২৬শুবা মিনটতা য়ু পি এস এগী অনীশুবা স্কোর এন রাজু জর্সি নম্বর ১০না চন্দুনা পাঞ্জল ২-১দা মাংজিল থাখি। এফ সী লমজাওগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজ চন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরকপ্পা শান্নবগী ৩৫শুবা মিনটতা এম সোমোরজিৎ জর্সি নম্বর ১৬না চন্দুনা পাঞ্জল ২-২দা লৈহনখি। মখা তাবা মিনটতা টিম অনীমক্না অহেনবা পাঞ্জল লৈনবা হোৎনরবসু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা য়ু পি এস এনা বোল হেন্না পায়দুনা অহানবা হাফতা শান্নরম্বা টেক্নিক অদু হোংদোক্নুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৭০শুবা মিনটতা য়ু পি এস এগী অহুমশুবা পাঞ্জল হেলিম জর্সি নম্বর ২৩না চন্দুনা পাঞ্জল ৩-২দা মাংজিল থাখি।

এফ সী লমজাওগী মায়কৈদগী শোত্থরিবা স্কোর অদু হন্দোক্নবা অকনবা প্রেসরগা লোয়ননা এটেক চথুরকখি। এটেকশিংদা পাঞ্জল ওন্থোকপা য়াবা খুদোংচাবা কয়া ফংলবসু ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি। মেচ অসি য়ু পি এস এনা এফ সী লমজাওবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা এস এস য়ু অমসুং নিসা লম্বা তৌনখি। মেচ অসি হৌরকপদা টিম অনীমক হেনজিন্নবা ঙমদনা শান্নরকখি। হেক হৌবগা একাউন্ট হাংবা ঙম্নবা অকনবা প্রেসরগা লোয়ননা এটেক চথনরকখি। শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা নিসাগী একাউন্ট এস মৈরাবা জর্সি নম্বর ৭না হাংখি। মখা তাবা মিনটতা এস এস য়ুগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজ স্কোর চন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরকপদগী শান্নবগী ৩৮ শুবা মিনটতা সৈলেস জর্সি নম্বর ৩৭না চন্দুনা পাঞ্জল ১-১দা মান্নহনখি। অহানবা হাফ ফাওবদা টিম অনীমক পাঞ্জল মান্ননা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা নিসানা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি। লেপ্পুনা এটেক চথুরকপনা শান্নবগী ৬৯শুব মিনটতা নিসাগী অনীশুবা স্কোর এল সুধির জর্সি নম্বর ১৭না চন্দুনা পাঞ্জল ২-১দা মাংজিল থাখি। এস এস য়ুগী মায়কৈদগী ইক্কলাইজ স্কোর চন্নবা হোৎনরবসু ঙমদনা নিসানা এস এস এস য়ুবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি।

অহানবা খেলো ইন্দিয়া য়ুনিভর্সিটি গেমস ২০২০

# অরোইবা নুমিৎতা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইপি বোইজ টিমনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৪ (ঐচএনএস): ভুবনেশ্বরগী কে আই আই টি য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোকপা অহানবা খেলো ইন্দিয়া য়ুনিভর্সিটি গেমস ২০২০গী ঙসি লোইশিনবা নুমিৎতা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি বোইজ ইপি টিমনা সেমিফাইনেলদা গুরু নানক দেব য়ুনিভর্সিটি, অম্রিতসরগী মখুৎতা পোইন্ট ৩৬-৪৫তা মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি।

পনবা য়াই, ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি বোইজ ইপি টিমনা পঞ্জাব য়ুনিভর্সিটি পতিয়ালাবু পোইন্ট ৪৫-৩৫তা মায়থী পীদুনা সেমিফাইনেল চঙলকখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি গর্লস ফোওই টিমবু আর টি এম নাগপুর য়ুনিভর্সিটিগী মখুৎতা পোইন্ট ৪২-৪৫দা মায়থীহৌখি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী নুপাগী টিমদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিং অদুদি এন রোবার্ত, এম বিজেন, কে নেপোলিয়ননি। মেনেজরদনা এস থোইথোই অমদি কোচতনা ঐচ মঙলেম্বনা ওইখি।

## ৬শুবা ধনবির ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৪ (ঐচএনএস): জেক এফ সী অংথানা শীন্দুনা এল ৱাই সী শান্নবুঙদা চথুরিবা ৬শুবা ধনবির ট্রোফি ষ্টেট লীগ লেভেল ভিল্লেজ ওপন মেন্স ৭ এ-সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা জেক এফ সী (এ) অঙথা অমদি অমর এফ সী হুইকপ মায় পাকখ্রে।

চালৌ কপ ২০২০

# এ এস এস এ শঞ্জেনবমনা তখেল এফ সীবু অমদি ৱাই দি সী এলনা এন এন সী কে এবু থোইখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৪(ঐচএনএস): চলৌ য়ুথ য়ুনিয়ন ক্লবনা শীন্দুনা চলৌ কাংজেবুঙদা চথুরিবা ১০শুবা লল্লাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইস ওপন ৭ এ-সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এ এস এস এ শঞ্জেনবমনা তখেল এফ সীবু পাঞ্জল ৬-৫দা থোইখ্রে অমসুং ৱাই দি সী এল পুংদোংম্বমনা এন এন সী কে এ নোংগ্রেনবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা এ এস এস এ শঞ্জেনবম অমসুং তখেল এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচগী অপীবা মিনটতা এ এস এস এগী টিমগী মায়কৈদগী বোবোথোই জর্সি নম্বর ১০না পাঞ্জল অমা অদুগা তখেল এফ সীগী মায়কৈদগী ৱিস জর্সি নম্বর ৭না পাঞ্জল অমা চন্দুনা স্কোর বোর্দতা ১-১দা মান্নদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা টিম অনীমক্না অপীবা মতমগী মনুংদা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা ঙমদনা লৈখিবদগী পেনাল্টি কাউননবা শেম শান্নখি। টিম অনীগী শান্নরোয় ৫/৫না পেনাল্টি কাওনবদা এ এস এস এগী মায়কৈদগী ক্লিনতোন জর্সি নম্বর ৩, বোবোথোই জর্সি নম্বর ১০, কিরনজিৎ জর্সি নম্বর ২, রোজর জর্সি নম্বর ৮ অমদি হিটলর জর্সি নম্বর ১২না পাঞ্জল চনখি। তখেল এফ সীগী মায়কৈদগী উদোয় জর্সি নম্বর ২৫, দেবেন জর্সি নম্বর ৫, রেনেদি জর্সি নম্বর ২১, লানঙম্বা জর্সি নম্বর ১৩ অমদি জিতেন্দ্র জর্সি নম্বর ১না পাঞ্জল চনখি। মেচ অসি এ এস এস এনা তখেল এফ সীবু পাঞ্জল ৬-৫দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচতা ৱাই দি সী এল পুংদোংম্বমনা এন এন সী কে এ নোংগ্রেনবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখি। ৱাই দি সী এলগী মায়কৈদগী বিজু জর্সি নম্বর ১০না চনখি। এন এন সী কে এগী স্কোর অদু রেবান্তানা চনখি।

## ফর্স্ত ষ্টেট লেভেল এ তোম্বা মেমোরিএল

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৪ (ঐচএনএস): কমাখ্যা সোসল য়ুথ ক্লব হিয়াংথাংনা শীন্দুনা ক্লব অসিমক্কী গ্রাউন্দদা চথুরিবা ফর্স্ত ষ্টেট লেবেল এস তোম্বা মেমোরিএল দে এন্দ নাইট ৪ মেন এ-সাইদ ওপন সুপর সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ঐচ এন এস সী হাওরৈবীনা ঐচ ই ৱাই দি এ হিয়াংথাংবু, ফ্রেন্স এফ সীনা ওল্ড ষ্টারবু মায়থীবা পীখি অদুগা লাইতোংবা এফ সী ৱার্কওভর ফংখ্রে।


ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচ লম্বা তৌনখিবদা ঐচ এন এস সীনা ঐচ ই ৱাই দি এবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা গ্রাউন্দদা ফ্রেন্স এফ সী অমসুং ওল্ড ষ্টার লম্বা তৌনখি। মদুদা ফ্রেন্স এফ সীনা ওল্ড ষ্টারবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীবা ঙমখি। অদুগা অহুমশুবা গ্রাউন্দদা লাইতোংবা এফ সী অমদি এস য়ু সী লম্বা তৌনগদবা অদু এস য়ু সী হৈরাঙ্গোইথোং লাক্তবদগী লাইতোংবা এফ সী ৱার্কওভর ফংখি।

## এ দি সী চান্দেল ট্রোফি সেকেন্দ দিভিজন

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৪ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন চান্দেলনা শীন্দুনা লিৱা সারৈ ফুটবোল গ্রাউন্দদা চথুরিবা এ দি সী চান্দেল ট্রোফি সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা পেনাচীং ৱাই সীনা হনাথাম এস সীবু পাঞ্জল ৮-০দা, কনানখু এস সীনা মোদি সী এস সীবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা পেনাচীং ৱাই সীনা হনাথাম এস সীবু পাঞ্জল ৮-০দা চাওনা মায়থীবা পীখি। পেনাচীং ৱাই সীগী স্কোরশিং অদু এন জি গ্রাঙমসা জর্সি নম্বর ৪, মোচুংসিং জর্সি নম্বর ১৭, সি ঐচ কেলভর্সন জর্সি নম্বর ১১ অমদি অঙশকৱার জর্সি নম্বর ৯না পাঞ্জল অমমম চনখি, অদুগা নিংথার জর্সি নম্বর ১৮না পাঞ্জল ৩ চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচতা কনানখু এস সীনা মোদি সী এস সীবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।





/EMPLOYMENT NEWS

- মশাগী চহি ২৫ দগী ৩৫ ফাওবদা লৈবা MBA/Post Graduate + 3 yrs exp. লৈরবা মীওই ২ (অনি) Dy. Manager ওইনা পামজৈ।
- মশাগী চহি ২২ দগী ২৮ ফাওবদা লৈবা Graduate Passed তৌরবা অমসুং Unmarried ওইবা মীওইশিংগী ওইনা Kakching, Thoubal, Moirang, Sekmai, Nambol, Samurou অমসুং Imphal Branch Keishamthong গা খ্বায়দগী নক্লনা লৈবা Office Assistant ওইনিংবা মীওই অনি-অনি পামজৈ।
- 2 Wheeler Mechanic + 5 yrs exp. লৈরবা মীওই ১ (অমা) অমসুং Mechanic কী Helper ২ (অনি) পামজৈ।
- মশাগী চহি ১৮ দগী ২২ ফাওবদা লৈবা Car Wash Centre অমসুং Tyre Workshop কি Helper অনি-অনি পামজৈ।
- Car Driver ২ (অনি), Iron Welding Mistry ২ (অনি), Grade-IV ২ (অনি), Brick Mistry অমসুং Brick Jugali অনি-অনি পামজৈ।

*Please Contact:-* **L.G. Motors**
Khagemppali Huidrom Leikai, Imphal West
# 8731978490 / 9774495994

HL/B/5934/11


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com